# যুক্রেনগী হান্নগী প্রসিদেন্ট ফানবা ওর্দর থোকখ্রে



*কিয়েব, ফেব্রুৱারি* ২৪ঃ যুক্রেনগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বদগী হৌজিক্লা মীরোং ওইখ্রবা ভিক্টর য়ানুকোভিসকী মথক্তা মীচম মীয়াম হাৎপগী মরালদা ফানবা ৱারেন্ট লৈরে হায়না ওঠোরিটিশিংনা ঙসি লাউথোকখ্রে।

যুক্রেনগী এক্টিং প্রসিদেন্ট ওলেক্সন্দর টুরচিনোবনা হায়খিবদা, যুক্রেনগী অনৌবা লৈঙাক লুচিংবশিংনা রুসিয়াগা মান্নবা থাক্তা অফবা যুম্লোন্নবা অমা ওইবগী মরী থম্ননবা হোৎনগদবনি হায়নসু খঙহনখ্রে।

কিয়েবতা হৌজিক পৱার ভেক্যুম অমা থোক্লিবা অসিনা মরম ওইদুনা নোংপোক অমদি নোংচুপকী য়ানদ্রিবা মীয়ামনা লৈবাক অসিবু অনি থোকহন্নবা মরম ওইহল্লোইদবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

যুরোপিয়ান যুনিয়নগী ফোরেন পোলিসি চিফ ওইবা কেঠরিন এষ্টননা লৈবাক অসিগী শাথিনা শোকচিনখ্রবা ইকোনোমি ফগৎহন্নবগী লৌখৎপা য়াবা খোঙথাংশিং খন্ননবা যুক্রেনদা হন্দক্তা চৎখিবনি।

যুক্রেনগী ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিনা মঙোন্দা হায়খিবদা মথংগী লাক্লিবা চহি অনিগী মনুংদা যুক্রেননা দোল্লর বিল্লিয়ন ৩৫ রোমগী শেনফম অমা মীরৈবাক্কী মতেং ওইনা লৌবা মথৌ তারি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

হৌখিবা ইরাইদা কিয়েবতগী হেল্লিকোপ্টর তোংদুনা চৎখ্রবা রুসিয়ানা শৌগৎপা য়ানুকোভিস হৌজিকসু কদাইদা লৈরিবগে হায়বা খঙদনা লৈরি। লিখুন অমনা হায়বদা যুক্রেনগী নোংপোক্লোমদা লৈবা টৱার বেজ অমদা লৈবাক্কী মপান্দা চৎপগী অথিংবগা লোয়ননা হান্নগী প্রসিদেন্ট অসি লৈরি হায়না ফোঙদোকখি।

এক্টিং ইন্টরিয়র মিনিষ্টর অর্সেন্ট অয়াকোবনা হায়বদা ইংনা খোঙজং চংশিনবা মীয়াম্বু পাক্তক্লা হাৎখিবগী ওফিসিয়েল কেস অমা হাংদোকখিবগা লোয়ননা মীয়াম শিখিবগী থৌদাং ওইবা য়ানুকোভিস অমদি অতোপ্পা মীওই খরবু ৱান্টেদনি হায়না লাউথোকখ্রে হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা য়ানুকোভিস বলাকলাভাদা লৈবা মশাগী রেসিদেন্সতগী ক্রিমিয়াদা চৎলবা মতুংদা মহাক্কী এদ অমগা সিক্যুরিটি গার্দ অমা অনিগা লোয়ননা কারদা মফম খঙদনা চৎখ্রে হায়নসু ফোঙদোকখি।

কিয়েবকী মতাইদা লৈবা মহাক্কী লকজরি রেসিদেন্স অদুসু ওঠোরিটিশিংনা হৌজিক লৌশিল্লে হায়নসু লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।


অমরোমদা রুসিয়ানসু ঙরাং কিয়েবতগী রুসিয়ান এম্বেসেদর কৌথোকখিবগা লোয়ননা প্রসিদেন্ট য়ানুকোভিসকা হান্না য়ানখিবা ত্রাঞ্জিসন এগ্রিমেন্ট অমবু ওপোজিসননা কায়ল্লে হায়না মরাল শীখ্রে। ফিভম অসিদা মোস্কোদগী করম্বা রিয়েক্সন লাক্কদগে হায়বা খঙদ্রিবা ওলে ত্যানিবোক হায়বা ওপোজিসন লিদর অসিনা হৌজিক যুক্রেনগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা লৈবাক অসিগী ঙমখৈদা রুসিয়াগী লান্মীশিং পুনশিল্লকপ্রা হায়বদু য়েংশিনবা চুম্মী হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অদুবু রুসিয়াগী লান্মীশিং চংশিল্লক্লে হায়বগী ৱাফমদি লৈত্রি হায়বগা লোয়ননা অকুপ্পা ৱারোলশিংদি মহাক্না ফোঙদোকখিদে।

যুক্রেনিয়ান বোর্দর গার্দকী ৱাফম পল্লদুনা ইন্টরফেক্স নিউজ এজেন্সিনা হায়বদদি ঙমখৈ ময়াদা রুসিয়াগী লান্মীশিং চংশিল্লকপা লৈতে হায়না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি রুসিয়াগী ব্লেক সি ফ্লিট অসি সেবাষ্টোপোলদা বেজ লৈবগা লোয়ননা মফম অদুৱাইদা মনিং তম্না চত্থোক চৎশিন তৌই হায়নসু লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

# পাকিষ্টানি টালিবান কম্মান্দর কাপ্তুনা হাৎখ্রে



*মিরানসাহ, ফেব্রুৱারি* ২৪ঃ পাকিষ্টানগী নোর্ঠ ৱাজিরিষ্টানদা লৈবা মিলিটেন্টশিংগী লোৎফম অমদা শকখঙদবা নোংমৈ পায়বশিংনা পাকিষ্টানি টালিবানগী মকোক থোংবা কম্মান্দর ঙসি নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে হায়না সিক্যুরিটি ফোর্সশিং অমদি ইমুংগী মীওইশিংনা ফোঙদোরকখ্রে।

ঙসি শকখঙদবশিংনা কাপ্তুনা হাৎখ্রিবা অস্মাতুল্লাহ সাহিন হায়বা কম্মান্দর অসি পাকিষ্টান আর্মিগী খ্বাইদগী পাম্বা টালিবান কম্মান্দর ২০ গী মনুংদা অমা ওইবগা লোয়ননা ইং ২০০৯ দগী মহাকপু হাৎপদা দোল্লর ১২০,০০০ পীগনি হায়না গভর্নমেন্টনা লাউথোকখিবা মীশকনি।

পকিষ্টানি টালিবানগী হান্নগী মকোক হাকিমুল্লাহ মেহসুদ হাৎখ্রবা মতুংদগী পাকিষ্টান টালিবানগী ইন্টরিম চিফ ওইনা মহাকপু হাপখিবনি। অস্মাতুল্লাহনা তোংবা কার অদু শকখঙদবা নোংমৈ পায়বশিং অদুনা মিরান সাহগী অৱাং নোংচুপতা লৈবা দারগা মন্দি ফাওদুনা চৎলিঙৈদো এম্বুস তৌখিবনি। অতোপ্পা কার অমনা সাহিদ অমদি ড্রাইভরসু য়াওনা গার্দশিংসু কাপ্তুনা হাৎখিবনি হায়না মহাক্কী ইমুং মনুংগী মীওই অমনা পাউগী এজেন্সি অমদা ফোঙদোরকখি।

কম্মান্দর অসি শিরে হায়বা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনসু কনফার্ম তৌখ্রে। নিংশিংবা য়াবদি দিমোক্রেটিক ওইবা মীখল অমদা মায় পাক্তুনা গভর্নমেন্ট শেমখিবা প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ সরিফপু মফমদগী চিংথরগা পাকিষ্টানদা সারিয়া লো চৎনহন্নবা পাকিষ্টানি টালিবাননা অকনবা লাঞ্জং অমা চংশিল্লিবনি। সাহিন অসি পাকিষ্টান গভর্নমেন্টকা টালিবানগা শান্তিগী ৱারী শাবদা শৌগৎপা মীশক অমনি হায়নসু টালিবানগী য়াম্না নকশিন্নবা লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

ইকুই কুইদ্রিঙৈ মমাংদা থৌরাং তৌখিবা শান্তিগী ৱারী অমা শাবা য়ানবগী নেগোসিয়েসন অদু মায়থিখ্রবা মতুংদা নোর্ঠ ৱাজিরিষ্টানদা অচৌবা মিলিটরি ওফেন্সিব অমা চত্থবা য়ানা লৈহহায়নসু পাকিষ্টানগী সিক্যুরিটিগী ফিভম নৈনবশিংনা হন্দক্তা ফোঙদোকখিবনি।

অফগানিষ্টানগা তাইনবদা লৈবা ট্রাইবেল এরিয়াশিংদা লোৎফম ওইবা মিলিটেন্টশিংগী মথক্তা হন্দক্তসু পাকিষ্টানগী ফাইটর জেদশিংনা অকনবা এয়ার ষ্ট্রাইক চত্থদুনা লালহৌবা ৩৮ হাৎখ্রে হায়নসু পার্ক আর্মিনা ফোঙদোকখিবনি।

হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২০ দা আর্মি জেটশিংনা নোর্ঠ ৱাজিরিষ্টানগী মীর অলি এরিয়াদা বোম থাদদুনা মিলিটেন্টনি হায়না চিংনবা মীওই ১৫ হাৎখ্রে হায়নসু আর্মিনা ফোঙদোকখিবনি।

# ইজিপ গভর্নমেন্ট রিজাইন তৌখ্রে, সি সি প্রসিদেন্ট ওইরবা য়ারি



*কাইরো, ফেব্রুৱারি* ২৪ঃ ইজিপকী প্রাইম মিনিষ্টরনা ঙসি হায়খিবদা ইজিপকী গভর্নমেন্ট মফম থাদোকখিবগা লোয়ননা আর্মি চিফ ফিল মার্সেল অব্দেল ফাত্তা অল–সি সি প্রসিদেন্টকী মীরেপ ওইগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর হাজেম অল বেব্লাৱিনা হায়খিবদা, যু এসকী মপাং অমা ওইরিবা লৈবাক অসি সিক্যুরিটি, ইকোনোমিক প্রেসর অমদি পোলিটিকেলগী ওইবা চয়েৎনবা কয়া লৈরকপদগী নাম্থোক্লবা হোৎনবদা গভর্নমেন্টনা ইনৌ নৌবা খোঙথাং অমা ওইনা রিজাইন তৌখ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ইজিপকী ইন্টরিম প্রসিদেন্ট এদলি মন্সুরনা খঙহনবদগী মীখল পাঙথোক্ক্রিবা ফাওবা গভর্নমেন্টকী থৌ পুরিবা প্রাইম মিনিষ্টর অসিনা মখা তাবা অকুপ্পা ৱারোলদি ফোঙদোরকখিদে।

সি সি না প্রসিদেন্টকী মীরেপ ওইবা তারবদি মহাক্না পুরিবা দিফেন্স মিনিষ্টরগী ফম হান্না থাদোকপা মথৌ তাগনি। সি সিনা মীরেপ ওইনবগী ৱাফম লাউথোক্ক্রিঙৈ মমাংদা গভর্নমেন্টনা ফম থাদোকপগী ৱারেপ অসিদি হান্না লৌবা মথৌ তাখিবনি হায়নসু ইজিপকী ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

পাউগী এজেন্সি অমদা মহাক্না মখা তারদুনা হায়বদা, সি সি মথন্তনা লৈঙাক থৌদা পুবা পামদবা মরমদগী কেবিনেটনা পুল্লপনা মফম থাদোক্লবা লেপখিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

লান্মীগী মকোক থোংবা কম্মান্দর অসিনা মুস্লিম ব্রদরহুদকী লুচিংবা ইস্লামিস প্রসিদেন্ট মুহমদ মোর্সিগী লৈঙাক লৈখা তাখ্রবা মতুংদা অনৌবা মীখল পাঙথোকপা য়ানবা পোলিটিকেল রোদমেপ অমসু পুথোরকখিবনি। থা খরগী মনুংদা মীখল অসি পাঙথোকপা য়ানা লৈরি। মুস্লিম ব্রদরহুদনদি ইজিপতাকু অমা চত্থবগীদমক সি সি বু মরাল শীবগা লোয়ননা মহাক্কী মীৎয়েং মখাদা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবগী থৌদোক কন্না হেনগৎলক্লি হায়নসু ফোঙদোকখ্রবনি।

# যু এসকী খোঙথাং চাইনানা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে

*বৈজিং, ফেব্রুৱারি* ২৪ঃ টিবেট ৱাথোক্তা ৱাতাইনবা ওইনবা যু এস গভর্নমেন্টনা স্পেসিয়েল কো ওর্দিনেটর অমা হাপ্লে হায়রিবদু চাইনানা মশক খঙউ হায়বা য়াখিদবগা লোয়ননা যু এসকী খোঙথাং অসি চাইনাগী মনুংগী হিরমশিংদা খুৎ থিংজিনবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

টিবেটান ইসু হায়বা ৱাহৈ অমা পল্লগা চাইনাগী মনুংগী ওইবা ৱাফমদা অতোপ্পা লৈবাক অমনা খুৎ থিংজিল্লকপা অসি চাইনানা কন্না য়ানিংদে হায়না লৈবাক অসিগী ফোরেন মিনিষ্ট্রি ৱাঙাংলোই হুৱা চুনয়িংনা বৈজিংদা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়খিবদা টিবেটান ইসুগী স্পেসিয়েল কো ওর্দিনেটরনি হায়রিবদু ঐখোয়না মশক খঙবা লৈতে, তুংদসু খঙবা তৌরোই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা যু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট জোন কেরিনা সারা সেৱাল হায়বা অন্দর সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট অমবু টিবেটকী ইসুশিংদা স্পেসিয়েল কো ওর্দিনেটর ওইনা হাপ্লে হায়না ফোঙদোরকখিবনি।

সারা সেৱালগী মমিং অসি যু এস প্রসিদেন্ট বরাক ওবামানা হ্বাইট হাউসতা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২২ দা টিবেটকী স্পিরিচুয়েল লিদর দলাইলামাবু উন্নখ্রবা মতুংদা ফোঙদোরকখিবনি।

যু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা লাউথোকখিবদা সেৱালগী থৌদাংশিংদি চাইনিজ গভর্নমেন্ট অমদি দলাইলামা নত্রগা মহাক্কী মহুৎ শিনবশিংগা চৎবা য়াবা দাইলোগ চত্থহনবা য়ানবা থৌরাং লৌখৎপা অদুনি হায়না ফোঙদোকখি।

# যু এস–খা কোরিয়া মিলিটরি ড্রিল হৌখ্রে



*সিওল, ফেব্রুৱারি* ২৪ঃ হন্দক্তা অৱাং অমদি খা কোরিয়াগী ইমুং মনুং ওইরম্বদগী খাইদোক্লখ্রবা মীয়াম পুন্না উন্নহনবগী নিংশিংনিঙাই ওইবা থৌরম অমা পাঙথোকখিবা হেক মতুংদা খা কোরিয়া অমদি যুনাইটেদ ষ্টেটসনা মিলিটরি ড্রিল হৌখ্রে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

চহিগী ওইনা হেক হেক পাঙথোকপা ড্রিল অসি লাক্লিবা এপ্রিলগী ১৮ ফাওবা চত্থগনি হায়রি।

ড্রিল অসিদা কি–রিজোল্ব হায়বা কম্প্যুটর বেজ সিমুলেসন অমা য়াওগনি। অদুগা কংফাল, সমুদ্র অমদি নোংথক্কী অপুনবা এক্সরসাইজ ওইবা ফোল ইগলসু হন্দক্কী ড্রিল অসিদা চত্থগনি হায়রি।

প্যোংয়াংনদি ড্রিল অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মমাংদা ড্রিল অসি চত্থরবদি ফেমিলি রি–যুনিয়ন থৌরম তোক্কনি হায়না কিহনবসু লৈখিবনি। লৈবাক অনিগী অপুনবা ড্রিল অসিদা যু এস লান্মী ১২,৫০০ হেন্না শরুক য়ারি হায়রি।

যু এস অমদি খা কোরিয়ানদি ড্রিল অসি মশা ঙাকথোকচবগী পান্দমদা চহিগী ওইনা পাঙথোকপনি হায়না ফোঙদোকখিবনি। অদুবু প্যোংয়াংনদি ড্রিল অসি লান ঔরাইবনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

মমাং চহিদসু ড্রিলনা মরম ওইদুনা অৱাং অমদি খা কোরিয়া অনিগী মরক্তা মুক্নবগী ফিভম কন্না হেনগৎহনখিবনি। ড্রিল অদু হেক চত্থবদা অৱাং কোরিয়ানসু মাংজৌনবা চেকশিন থৌরাং ওইনা খা কোরিয়া অমদি যু এসকী টার্গেটশিংদা ন্যুক্লিয়ার ষ্ট্রাইক চত্থগনি হায়না ফাওবা কিহনখিবনি।

অদুবু লৈবাক অনিগী ড্রিল অসিগী মতাংদা অৱাং কোরিয়ানা ফোঙদোরকপা ৱাফমশিং হন্দক্কী ওইনদি হাক্লা কনবা ওইদ্রি। ৱাফম অমনা হন্দক্কী ড্রিল অসি কোরিয়া লৈবাক অনিগী নৌনা ফগৎলক্লিবা মরী অসিগী চাংয়েং লৌবা ওইনা থোক্কদৌরিদ্রা হায়বদু য়েংবা তারি হায়নসু বি বি সিগী পাউমী অমনা সিওলদা ফোঙদোকখ্রে।

খা কোরিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রি ৱাঙাংলোই কিম মিন সিওকনা হায়বদা হৌজিক্কী ওইনদি অৱাং কোরিয়াদগী হান্নগা মান্নদবা খোঙথাং অমত্তা লৌখৎলকপা উদ্রি। লৈবাক অদুনা কায়হৌবগী থবক লৌখৎলক্লবা মতমদতা ঐখোয়সু চুনবা থবক লৌখৎকনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

পনবা য়াবদি ঙসি ড্রিল হৌবা নুমিৎ অসিদসু ইং ১৯৫০–৫৩ গী কোরিয়াগী লানন্না কায়নহনখ্রবা ইমুং মনুংশিং উন্নহনবগী থৌরম হান্না শেম শাখিবগী পরিং কায়দনা চত্থখি হায়বগা লোয়ননা কোরিয়া মচা ৩৬০ রোমনা থৌরমদা শরুক য়াখি হায়রি।

# ব্রাজিলনা ই য়ুদা অন্দরসি কেবলগী ৱাফম পুখৎখ্রে



*ব্রুসেলস, ফেব্রুৱারি* ২৪ঃ ৱাশিংটননা ব্রাসিলিয়াদা স্পাইং চৈখে হায়বগী পাউ লৈবদগী ব্রাজিলগা যুরোপকা হকথেংননা পাউ ফাওনবা য়াহনগদবা সমুদ্র মখাগী কেবলনা শম্নহনবগী ৱাফম অমা ঙসি ব্রাজিলগী প্রসিদেন্ট দিলমা রুসেফনা যুরোপিয়ান যুনিয়নদা তকশিনখ্রে হায়রি।

চহিগী ওইনা পাঙথোকপা ই যু–ব্রাজিল সম্মিটতা রুসেফনা ব্রাজিলগী ইন্টর্নেট ত্রাফিকপু যু এস সর্ভিলেন্সতগী কন্থোকপা য়াগদবা প্রোজেক্ট অমা মথং চহি ফাওবগী মনুংদা মায় পাক্লা পায়খৎপা য়ানবা দোল্লর মিল্লিয়ন ১৮৫ থাদরক্লবা রুসেফনা ই যু দা ঙসি তকশিনখিবনি।

যুরোপিয়ান কাউন্সিল অমদি যুরোপিয়ান কম্মিসনগী প্রসিদেন্টশিংগা ৱারী শান্নবগীদমক রুসেপনা ব্রসেলসতা হেক থুংলবগা ওফিসিয়েল অমনা হায়খিবদা ব্রাজিল অমদি যুরোপকা হকথেংননা পাউ ফাওনহনবা য়াগদবা ফাইবর ওপটিক লিঙ্ক অমগী সেল থাদনবা খন্নরি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

যু এসকী নেস্নেল সিক্যুরিটি এজেন্সিনা মহক্কী ই–মেইল অমদি ফোন স্পাইং চৈখে হায়বগী য়ানিংদবা উৎপা ওইনা রুসেপনা ৱাশিংটনদা মমাং চহিদা চৎকদবা ষ্টেট ভিজিট অমসু য়ৈথোকখিবনি। হান্নগী এন এস এ কন্ত্রেক্টর ওইরম্বা এদৱার্দ স্নোদেননা ফোঙদোরকপা স্পায়িংগী অরোনবা ৱারোল খরদা এজেন্সি অসিনা ই যু ইন্সটিট্যুসন খরগী মথক্তা টেলিফোন টেপ্পিং তৌই হায়না ফোঙদোরকখিবনি।

# হনুবীগী পুক্নুংদগী নুঙ ওল্লবা অঙাং লৌথোকখ্রে



*লণ্ডন, ফেব্রুৱারি ২৪ঃ মশাগী চহি ৮৪ শুরবী হনুবী অমগী পুক্নুংদগী ব্রাজিলদা ডাক্তরশিংনা চহি ৪৪ রোম নুঙ ওন্দুনা লৈরক্লবা মীগী হৈরু (ফিটস) অমা থাং থাদুনা লৌথোকখ্রে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোকখ্রে।*

*ব্রাজিলগী টোকেন্টিন্স ষ্টেটতা লৈবা হোস্পিটাল অমদা হনুবী অসি মবুক কন্না নারকপদগী লায়েংবা লাকপদা ডাক্তরশিংনা একজামিনেসন চত্থবদা নুঙ ওল্লবা হৈরু অদু থেংনরকখিবনি।*

*থৌওং অসি থোইদোক্লা অতাংবা অমা ওইবগা লোয়ননা নুপী অদুগী মবুক্তা মীতল্লিবা হৈরু অদু যুটেরসকী মপান্দা মী ওইবা ঙমদনা শিখিবনি হায়রি।*

*নুপী অদুগী হকচাংনা মী ওইররোইদবা হৈরু অদু মপান্দা থোকহনবা ঙমদবদগী মহাক্কী হকচাংনা ফংখিবা কেলসিয়মনা য়োমশিন্দুনা নুঙ ওল্লবা অঙাং অদু তপ্না তপ্না চাওখৎলকখিবনি। নুপী অদুবু লায়েংখিবা গাইনিকোলোজিষ্টশিংনা হায়বদা এক্সরেদা হৈরু অদুগী মায়, পাম্বোমগী, খোঙগী, থবাক হুমদাংগী অমদি য়াংগী শরুশিং উবা ফংই হায়না ফোঙদোরকখি।*

*নুপী অদুগী পুক্নুংদা অঙাং অদু শিবা মতমদা মীরোল্লকপা চয়োল ২০ দগী ২৮ ফাওবগী মরক্তা ওইগনি হায়নসু গাইনিকোলোজিষ্টশিংনা ফোঙদোকখি।*

*ডাক্তরশিংদা নুপী অদুনা হায়খিবদা, মহাক্না নহা ওইরিঙৈদা মহাক্কী পুক্নুংদা অঙাং অদু লাইয়ৈ চৎলে হায়বা খঙলবসু নুংশিবদগী লৌথোকপা পামখিদদুনা অদুমক শাংলবা চহি ৪৪ চুপ্না লৈরকখিবনি হায়না ফোঙদোকখি।*

# পোলিওগুম্বা লায়না অমা যু এসতা থেংনরে

*ৱাশিংটন, ফেব্রুৱারি* ২৪ঃ কালিফোর্নিয়াদা পোলিওগা মান্নবা অনৌবা লায়না অমা শন্দোরক্তুনা মীওই ২০ নাবগী রিপোর্ট লৈরে হায়না যু এসকী ডাক্তরশিংনা মীয়ামদা ৱার্নিং তৌখ্রে।


অমেরিকান একাদেমি ওফ ন্যুরোলোজিগী মীটিং অমদা পেসেন্ট খরা খোঙ খুৎ পুন্নমক পংথবগী লায়না অমা লৈরে হায়বা ৱাফম পন্নরকখিবনি। লায়না অসি লায়েংবদা ফগৎলকপা উদে হায়নসু মিটিং অদুদা ফোঙদোক্লখি।

অমরোমদা যু এস অসি পোলিও ফ্রি ওইরবা লৈবাক অমা ওইখ্রবা মতুংদা পোলিও ভাইরসকা মরী লৈনবা ভাইরস খরনা মীওইবগী নার্ভস সিষ্টেমদা এটেক তৌদুনা পংথহনবা ওইরম্বা য়াই হায়নসু ডাক্তরশিংনা ফোঙদোরক্লি।

লায়না অসিগী ইনফেক্সন থোইদোক্লা অতাংবা অমা ওইবগা লোয়ননা পোলিও ভাইরসকা মান্নবা মহিক অমনা লায়না অসি লাইচৎ ওইনা শন্দোরকপা য়াবগী থাজবদি লৈতে হায়না ডাক্তরশিংনা ফোঙদোক্লখি।

পোলিও হায়বসি অঙাং ওইরিঙৈদা নাবা কিনিঙাই ওইবা লায়না অমনি। মসিগী ভাইরসনা অঙাংগী নার্ভস সিষ্টেমদা থুনা য়াংনা লান্দাদুনা পেরালাইসিস থোকহল্লি। করিগুম্বা ভাইরস অসিনা থবোম্বীদা চংখিদুনা থবোম্বীবু মথৌ তৌহন্দ্রবদি মীবু শিহল্লি। হৌজিক মালেমগী ওইনা চত্থরিবা গ্লোবেল ভেক্সিনেসন প্রোগ্রামশিংনা খঙবদা আফগানিষ্টান, নাইজেরিয়া অমদি পাকিষ্টান হায়বা লৈবাক অহুম অসিখক্তদা চিংনবা য়াবা কেসশিং লৈরিবনি। হৌজিক ফাওবদা কালিফোর্নিয়াদা অনৌবা লায়না অসিগী কেস ২০ হৌখিবা থা ১৮ অসিগী মনুংদা নাবা থেংনরে হায়না লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

# ইজরেলদা অমেরিকাগী ফাদোক কাপ্তুনা হাৎখ্রে



*নিউয়োর্ক, ফেব্রুৱারি* ২৪ঃ যু এসতা থোকখিবা তমথিবা মীহাৎ অমদা চেন্নবদগী ফাদোক ওইনা ইজরেলদা লৈবা অমেরিকান ইজরেল্লি প্রিজনর অমা জেলগী গার্দশিংদা নোংমৈ কাপ্লকই হায়বগীদমক ইজরেল্লি স্পিসিয়েল ফোর্সনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

ইজরেল্লি পুলিসকী ৱাঙাংলোই অমনা হায়বদা সেম্যুয়েল সিয়েনবিয়েননা হায়রিবা ফাদোক অসিনা সিক্যুরিটি ওফিসার অহুমদা নোংমৈনা কাপশিন্দুনা ওফিসার অমবু ফিভম লুনা শোকহল্লবা মতুংদা জেল কম্পাউন্দ মনুংদা লোত্তুনা লৈখিবনি হায়না ফোঙদোরকখি।

ইং ১৯৯৭ তা যু এসকী মেরিলেন্দদা চত্থখিবা তমথিবা মীহাৎ অমদগী সিয়েনবিয়েন অসি চহি ২৪ কৈশুমশঙদা লৈনবগী চৈরাক মায়োক্লদুনা ইজরেলগী কৈশুমশঙ অমদা লৈরক্লিবনি।

মেরিলেন্দগী মীহাৎ অদুগী মতুংদা ইকুই কুইদনা মহাক ইজরেলদা চেনখিবনি। মহাক ইজরেলদা লোত্তুনা লৈরে হায়বা খঙবদগী লৈবাক অনিগী মরক্তা নুংঙাইনদবা ফাওবা থোকখিবনি।

মসিগী মতুংদা ইজরেলগী এক্সত্রাদিসন লোদসু অহোংবা খরা লৈখিবনি। ঙসিগী নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোক টেল অভিবকী অৱাংদা লৈবা রিমোনিম প্রিজনদা থোকখিবনি। ইজরেল মেদিয়ানা হায়বদা সিয়েনবিয়েননা কা অমদা লোৎখ্রগা জেলগী গার্দশিং অমদি স্পিসিয়েল ফোর্সকী ওফিসারশিংদা নোংমৈ কাপ্লকখিবনি হায়রি।

মদুদগী খুৎ হন্দুনা কাপ্পদা সিয়েনবিয়েন শিখিবনি হায়রি। অদুবু কৈশুমশঙ মনুংদা সিয়েনবিয়েননা করম্না নোংমৈ পায়রম্বনো হায়বগী মরমদদি শেংনা খঙবা ঙমদ্রি হায়রি।

